# মাঙখিদ্রিদ্রৈঙৈ কলহৌসি

এস ভানুমতী

***মীওইবগী*** পুন্সি খোঙচৎসিদা অহোংবা হায়বসি থেংনদবা য়ারোই। অদুনা পীক্লম্বদগী চাউরকপা, লায়রবদগী ইনাক খুনবা ওইরকপা, ওক্তবা মী ওইরম্বদগী অহল লমনগী পাউতাক্লা অফবরোমদা মায় ওনশিল্লকপা, ফরমখ্রবা মীশক্তু শঙ্গ ফত্তবা তিন্নরুবনা লৌখৎপা য়াদনা সমাজদগী তোঙান্না তাখিবা য়াওদবা নত্তে। অসিনি পুন্সি অহোংবা নাইবা। অদুবু অফবা অচুম্বা মায়কৈদা ওনশিল্লকপদি পূম্নমক্কী হরাউনীংঙাইনি, থাগৎনীঙাইনি। মীওইবগী চৎনবীগী ৱাংমদা চোঙথোরকপা ফজদবা মতৌদুদি অৱাবগী মশকনি, তেংথানিংঙাইনি। পূক্নিংদা চিংন-চিংননা কিনা-কিনা হিংলিঙৈ মতমসিদা মালেমগী মরক্তা হিংলিবা পীক্লবা লৈবাকসিদা লৈমিন্নরিবা মীওইবা ঐখোয়গীলক্তা মওং তাদ্রবা, লেমজনীংঙাই ওইদ্রবা অহোংবা, অওনবা লমচৎ-শাজৎ কয়া উবদা, মাঙথরকপদা হকচাংসি নীক্লা নীক্লা হিংলি, তৌফম খঙদ্রি। মীগা মীগা নুংশিনদ্রে, তৌগে খনবদসু ঙমদবা লৈত্রে। মশানা মশাগী অশোয়বা, অরানবা উনদ্রে, খন্থবগী শক্তি য়াওনদ্রে। লাইরিক্তি লোইনা তম্নরে, ফম অচৌ অচৌবসু পায়নরে, পূক্নিং লৌশিং হেনগৎহন্নবা পাম্বৈসু মশীং থিঙমদনা লাক্লে। অদুবু লোনচৎ শাজৎ, ৱাঙাঙ শঙাঙদি ইহোং হোংবা থেংনরক্লি। মীনুংশি হায়বসিসু লৈনদ্রবগুমসু তৌই। অসুম্না হিংলিঙৈ, ৱাখল মওল মওল খন্নরিঙৈ লৈবাক্কী ঈরাংনগা কল্লিঙৈ ফজদ্রবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী পাউনা ইশাসি পোথাফম খঙহন্দে। নুপা নুপীগী মরক্তা লৈনরিবা ইকায় খুম্নবসু পুন্মুৎ মুৎখ্রে, মান্নবগী থাক্তা কাখৎনরকপদগী ওইরমালে। নুংশিরকই অসুম অসুম নীংশিংলুরগা, অঙাং য়াম্না ওইরিঙৈগী মতমদা ঐবু পোকপা পাবুংনা ইমুংদা লৈরবদা ঐগী ইখুরাগী নুপী ইন্দোমচানা মকোক্তা মানা ইল্লিবা ফিদু চিংখৎলদুনা 'ইমুংদগী তেঙ্গোৎ অমত্তা লৌথোরকউ ইবেন্মা ঐদি চঙবা য়াদ্রে' হায়না লেপখিবা...। মতমদুগী চৎনরম্বা শাজৎশিংদু নীংশিংলকই। অদুসু হৌজিক্তদা অহল ওইরকপা মতমসিদতা পূম্নমক্তুগী ৱাহন্থোক খঙলকখিবনি। মথক্কী অহলশিংদা থমখিবা ইকায়খুম্নবা কয়াদো পরীং নাইনা অসুম উরক্লি। নুপীশিংনা মকুবোক্তা, মতৈদা থম্বা ইকায়খুম্নবগী মতৌদুনা অমনা অমবু শেংলবা থম্মোয়গী মরী অমা থম্না হিংমিন্নে। নুপীনা লাইরিক লাইশু হৈনরকপদা থোইনা পূম্নমকসিগী নুংগী ওইবা মিৎয়েং অমফাওবা শীজিন্নদবগুম উরক্লে। থোক্কনি থাজদ্রবা থৌদোক কয়া ইরায় লায়না ইমাংদা উরক্লে। অসুম্না হিংলিঙৈ, ৱাখল মওল মওল খন্নরিঙৈ, মখল কয়াগী তাবদা ৱারবা থৌদোক ৱাথোক্লা ওন্থোক্ল া ৱাই চিলহল্লে। নুপানা নুপীবু মফম মতম খঙদনা ঈজৎ মাঙহনবগী পাউনা পাউচে খুদিংদা লেপ্পা নাইদনা থেংনরি। অহানবদদি ওন্থোক্লা হৈনরমদে তাবদা, অদুবু ঙসিদি হৌনমালে খঞ্জিল্লক্লে।

পীক্লবা কোকসিদা লাক্কনু য়াদে অৱাবা ৱাখল। চহী কয়াগী মমাঙগী অঙাং পীশক ওইরকপদগী ঙসিগী ফীভমসি ফাওবদা থেংনরকখিবা চৎন-লোনচৎ নীংশিংদুনা চাংদম্নরগা কদায়দনো অচৌবা অহোবা অমা লৈরে হায়বদু কন্না ফাওরকপনা পোথাফম খঙদে। পুন্সি হায়বসি করিনো খনবা হৌরকই। শকউদবা মাবু নীংশিংলকই। খোঙচৎ অমত্তা হেক কায়দনা মথৌ পাঙথোক্লিবা মহৌশা লাইরেম্বীবু উরকই। ঋতু তরুক্কী লেপ্পুবা খোঙচৎ নীংশিংলকই। অমুকসু হঙ্গৎনা য়েংলুবদা মীওইবগী পুন্সিবু মপূং ফাবা মশক শেম্নবগীদমক মালেমগী অচঙবা মহাপুরুষ কয়ানা লাইরিক কয়া ইদুনা থম্বীরম্মী। ভক্তি যোগ, কর্ম্ম যোগ, জ্ঞান যোগ। অহুম অসিনা উৎলিবদি 'মী ওইনা পোক্লবদি কর্ম্ম তৌদবা য়াদে। হায়বদি ইথৌ থৌদাং পাঙথোক্তবা য়াদে হায়না তাকপীরম্মিবনি। ইথৌ থৌদাং (কর্ম্ম) অসিতা তৌরগসু য়াদে, জ্ঞান মতিক চানা তানশিনগদবনি। জ্ঞান হায়বদি ইংরাজিদা হায়রগা নোলেজ হায়বসিনি। অদুগা ইথৌ পাঙথোক্তুনা জ্ঞানসু তানশিল্লবসু ভক্তি হায়বদি নোল্লুকপা ইংরাজিদা হায়রগা হম্বলনেস হায়বসি খক ৱাৎপা য়াদে। হায়রিবা যোগ অহুমসি মুন্না নৈনবা তঙাইফদে। অসিদা নত্তনা বেদ মখল ৪ সু থম্বীরম্মী। ঋগ বেদ, যযুর বেদ, শাম বেদ, অথর্ব্ব বেদ। অমুকসু লৈঙাক্কা মরী লৈননা থনম্মী - রাজনিতি, ধর্ম্মনিতি, অর্থনিতি। পূম্নমকসে ঐখোয় মীওইবা পুন্সিগীদি ওন্থোক্লা থানবা য়াদ্রবা খূৎলায়নি। অসিতসু নত্তে মগুন লৈরা লৈরবা, চাউরা চাউরবা মহাকাব্য 'মহাভারত' অমদি রাম চরিত মানস, শ্রীমদ ভাগবদ গীতানচিংবা লোইনাইদনা লৈরি। পূম্নমক অসি নৈনবদা, শরুক য়াবদা অমাঙবা অমত্তসু লৈতে। মালেম অসিগী মনুংদা পূন্না হিংমিন্নরিবা মীওইবা কৌবা ঐখোয় পূম্বনা অমদগী অমনা অফবা পূম্বা মতৌ তম্বদা, লৌশিনবদা অকায়বা লৈ, লৌশিনবা য়াদে, ফারগা দন্দি পীগনি হায়বগী ৱাফম লৈতে। তাইবঙ মপূ ইবুংঙোনসু অমগা অমগা লোনদিন্নবদা য়াদে, তৌহৈদে অমত্তসু তাকপীরমদে। শিবা নাইবা মীওইবগী পুন্সি ওইরুবনা তৌবনি নৎত্রবদি মালেমগী মফম খুদিং চৎতুনা জ্ঞান লৌশিং তানশিনফম মশীং থী'ঙমদনা লৈরিবনি। য়াই-য়াদে, মীরোল-ইরোল, জাতি-বিজাতি খায়গদবনি হায়বগী ৱাফম করিসু অকক্লবা লৈতে। অফ-ফত্ত খঙবা ঙম্নবা লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা ইহৈ তম্লুরে। ইহৈ মপূং ফারবা মতমদুদা অসিনা অচুম্বনি অসিনা অরানবনি খঙজরকপদুনি লৌশিং লৈরকপা হায়বসে।

থায়না মমাঙঙৈগী অহলশিংবু লাইমক্লি খন্না লোয়নবা য়াই। মরমদি মখোয়গী কোক্তা লৌশিংগী পুক্কে পীকথন্না য়াওরি। অদুনা মতম মতমগী ওইবা চাশিন-চূশিন্ননবা হোৎনফমদি থোক্লিবনি। নৎত্রবদি ঐখোয়বু ঐখোয়গী পীক্লবা কোল্লুপসিগী চেকপল মনুংদা কুহা (ৱেল) দা লৈবা হঙোইগুম ইতোপ তোপ্পা হিংখিগদ্রা? ইশা ইথন্তনা অফবনি, হৈথোইবনি, পূম্নমক খঙবনি খন্না পেন্থোক্তুনা লৈখিবনা ফরিব্রা? পূম্নমক চাশিন চূশিন্ননা হিংমিন্নবদি মীওইবা ঐখোয়গী তৌফম থোকপনি। মমাঙঙৈগী মতমদা বেদ শাস্ত্র, খূৎশু-খূৎলায় তম্বা হায়বসি য়াম্ন া পীক্লিঙৈদগী মশা ঈৎপা ঙমজবা ফাওবা হায়বদি মশাগী জ্ঞান লাকচবা ফাওবদি গুরুগী মনাক্তা অদুম লৈনরম্মী। চহী কুনমঙা শুরবা কান্দদি মশাগী ফীভম খঙজরকপগা লোয়ননা গুরুগী মফমদগী ফংলকপা জ্ঞান্দুগী মঙালনা মতিক চাবা মী ওইনরকপগী ৱারী শীংবুল কয়াসু লৈরি। অমুকসু মতাং অসিদা পঞ্জনীংঙি মদুদি পোকপদগী শিবফাওবগী মনুংদা মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সি খোঙচৎসিদা, পুন্সিগী তাঙ্কক তাঙ্কক খায়দোক্তুনা থম্বীরল্লি। মদুদি অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সি, মথোৎ কারকপগী পুন্সি, য়ূম্বানবগী পুন্সি অহল ওইরকপগী পুন্সি অসুম্না। অসিগুম্বা লুনা ৱাখল থাদবিদুনা মীওইবা হায়বা কাঙলুপ্তা লমজিং মৈরা পীবিরল্লিবা মতিক চাবা অশেংবা মী ওইনা হিংবিরম্বা মহাপুরুষ (অথোইবা মীওই) শিংবু ঐখোয়না খক কাউফম থোক্তে। অমত্তা ৱাৎতনা থম্বিরল্লিবা, হিংবদা চঙবা পাম্বৈ কয়া, থিফম থোকপা নৈনফম থোকপা মচাক কয়া নোংমতসু নৈনরুদে। লৈরে খঙলবসু, তাকপীরবসু উশিন্নদনা খঙশিন্নদনা অমদি ঐগীনি/মীগীনি খায়দোক্তুনা অফবা মচাক কয়া অমম্বদা লংথোক্তুনা থল্লি। মালেমদা লৈরিবা পোৎ পূম্বা মীওইবা পূম্বগী, শম্না হায়রবদা জীব পূম্বগীনি খন্না হিংমিন্নবনা চুম্বরা খল্লি।

অদুনা ঙসি মাঙথরক্লিবা, মীওইবনা মী ওইদনা শাগী লমচৎনা হেন্নরক্লিবা, ইপা ইমা, ইচিন ইনাও, শাগৈ নাতৈগী মরী ককথৎনবগী মশীং হেনগৎলক্লিবা পূম্বসিগী মথক্তা হায়রিবা মীওইবগী পুন্সিগী নৈননীংঙাই ওইবা পথাপ (রুল) ময়ামসি ৱাৎমনবনা ওইরকপনি হায়বসি অচুম্বনি থাজে। তশেংনা হায়রবদা ইমিৎশিংসিনা উরু উরুবা শরুক অয়াম্বা মিৎ নাবা হায়বদি পাপকী মশক ওইবা ঙাক উরক্লে। নুপীশিংনা হকচাং কয়াৎশিং উৎনবা হোৎনরকপা অসিগী নুংগী ৱাখল্লোনসি করিগীনো খনফম খঙদে। অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ৱাখল্লোনগা খেন্নে, লোনচৎ শাজৎ মান্নদে অদুগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওইশিংগী মেন্টালিটি শাথিনা খেন্নে- নুপা অমগা নুপী অমগা লেংগোন্নদুনা চৎমিন্নবদা করিসু খন্দবা ঙম্মী মখোয়গীদি, অমুকসু হিংবগী খূৎহিংসু নুপা নুপী চপ মান্ননা মশীংখা থোকপা পুন্সিদা লেনবা ঙম্মী। মদু পূম্বদু ঐখোয়গী ওইবা য়ূমকোয়রিবী নুপী নিপাগা লৈনরিবা নুংগী ওইবা মরী অমদি ঐখোয়গী ওইবা তোঙানবা ফিলোসোফিগদি হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নে। খেন্নফমসু থোকই, পূম্নমক্তগী মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়গী কলচরদি তোপ তোপ্পসু তাজবনি। নুপীগী শক্তমসু ঈংজ-তপচবা, নোল্লুকপতগা লোয়নরিবনি। ইতোপ তোপ্পা মওং মতৌ অসিনসু অতোপ্পা লমদমগী মীওইশিংনা তোঙানবা ৱাখল্লোন অমদা থম্বীদুনা ইকায়খুম্নবিরিবনি। করি মরমদগীনো মালেমগী ধর্ম্মগী ওইবা মীফমদা হিন্দু ধর্ম্মবু ৱাংনা থম্বীরিবা? মপানগী মীয়াম্না হিন্দু ধর্ম্মবু নৈনরিবা? থম্বীরল্লিবা ফিলোসোফিকল ওইবা লাইরিক ময়ামসিননি। অফবদি ঐখোয়সু লৌবা য়াই। তাইবঙ মপূনা তোঙান তোঙান্না নুংশিনদনা হিংনবা করিসু তাকপীরমদে।

অরোইবদা পঞ্জনীংঙি - ঐখোয় মমা মপা ওইরিবা পূম্বগী থৌদাং ঙসি ঙসিগী ওইরক্লিবা, চঙলক্লিবা ঈথিল কয়াসিগী লক্তা ইচাশিং ইশুশিং করম তৌরগা করম্বা পুন্সি পথাপশিংগী মখাদা য়োক্কদগে খনবা মতমদু হেল্লক্লে। মালেমদা ফংলিবা নিতি নিয়ম ফজবা কয়া কয়া ঐগীতা নত্তে, মাগীতা নত্তে মীওইবা পূম্বগীনি। খন্নমিন্নসি, নৈনমিন্নসি মরু ফংনা মাঙখিদ্রিঙৈ।

- Know that in all things, there is a purpose - Aunonyous.

# ম্যুজিক ওফ ভিয়েটনাম




রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

***Ca tu*** হায়রিবা থায়নগী নোর্দন ভিয়েটনামগী ওইবা ময়ামগা মান্নদবা পুং, ঈশৈ, জগোয়, শৈরেং, ৱারেংনচিংবা মখোয়গী ওইবা তোঙানবা য়াম্না হকচিন্না লৈরম্বা ৱাখল চোইথোকপা ঙমদবা হীরমশিং নুংদা, ধাতুদা, চেদা, ৱাদা অসিনচিংবশিংদা হক্তুনা অমদি ইদুনা থল্লম্বশিং অসি য়ুনেসকোনা মীওইবগী থৱায়না য়েংলগা থিজিনবদা করিনো খঙনবা হোৎনবদা কুমজা ২০০৯ দা কলচরগী ওইবা লন অমনি হায়না শক খঙবিখ্রে।

কুমজা ২০০৯ হায়বসি য়াম্না থেংলবা মতমনি। ভিয়েটনামদগী ফংলিবা মচাকশিংসিদি য়াম্না কুইরবগী মমাঙদা লৈরম্ফম থোকই। অসিগুম্বা মচাকশিং অসিদগী ঙসিগী চাওখৎলে হায়রিবশিং অসি লাকপনি। মায়কৈ অশোমদা হেন্না মিৎয়েং চঙশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মীরৈবাক্কী অমসুং মরমদমগী ওইবা অরুবা থাক্কী ওইবা মখল মখলগী মান্নরবা মহাওশিংনা ভিয়েটনামগী নাৎকী ওইবা ম্যুজিক্কী মশক ওই। ৱাফম অসিদগী ঐখোয়না নাৎকী ওইবা ম্যুজিকশিং হায়বদি চাইনিজ, জপানিজ, নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়া অনীমক, কম্বোদিয়া, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেশনচিংবশিং অসিগী নাৎকী ম্যুজিক অসি ইমান মান্নে। মসিনা তাকপদি মীতৈগী লাই হরাউবগা মান্নবদা ম্যুজিক্কী শরুকশিং অসি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা লৈবাকশিং অসিগী নাৎকী ম্যুজিক্কা ইমান মান্নে। লৈবাকশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা খরা খরদং খেন্নবা মশকশিং কম্পোজ তৌরগা ৱর্ল্ডগী ম্যুজিক প্লেটফোর্মদা খুদোল তম্লবদি অনৌবা মহাও অমা ওইগনি। খাগীশিংনা মীতৈদগী পুং তম্মী অদুগা মীতৈশিংনা খাগীশিংদগী শেন তম্মী হায়বগী পুৱারী তাজে।

**ইম্পরিএল কোর্ট ম্যুজিক ঃ**

Nha nhac হায়রিবা ম্যুজিক্কী মখল অসিনা ভিয়েটনামগী নিংথৌরোলগী কোর্ট ম্যুজিক্কী খ্বাইদগী পাম্নবা ম্যুজিকনি। কোর্ট ম্যুজিক্কা য়াম্না মরুওইনা মরী লৈনখিবা ম্যুজিক অসি ত্রান দাইনেষ্টিগী খোংবা, য়ৈবনচিংবা হৌরকপদগী ভিয়েটনামগী Nguyen dynasty ফাওবা য়াম্না শাংনা চৎথরম্মী, মদুগী মতুংদা Nguyen নিংথৌরেলশিংনা হৌজিক মতমগী সিন্থেসাইজর হায়বা ইলেক্ত্রোনিক্লা মখল মখলগী খোঞ্জেল পুথোকপা ঙম্বা খূৎলায় অসি শীজিন্নদুনা অনৌবা মখলগী ম্যুজিক মখল মখলশিং শন্দোক্লম্মী।

ভিয়েটনামগী মৈদিংঙু nha nhac গী কোর্টতা নাইন্টিন সেঞ্চুরিদগীনা হৌজিক ফাওবা মৈদিংঙুশিংগী মখল মথেলগী ওইবা জগোয়শিং মৈদিংঙুদা খুদোল তম্লী। জগোয়শিং অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন অমনা মৈদিংঙুগী মতিক মঙাল থাগৎপা অমদি পুন্সি নুংশাংবা অমসুং লৈবাক চাহোং ঙাহোংবনি।

ক্লাসিকেল ম্যুজিকসু লাইগী মতিক মগুন লাইশঙশিংদা ইকায় খুমনৈ। মসিগা লোয়না লোয়ননা লাইশঙশিংদা স্কোলরশিং confucius সু ইকায়খুম্নে। মসিগী মখলশিং অসিদি Nha nhac হায়না খঙনবা (লাইনীং লম্বীগী ওইবা) Dai nhac('গ্রেট ম্যুজিক') অমসুং Tieu nhac ('স্মোল ম্যুজিক') মখোয়শিং অসি কা মনুংদা পাঙথোকপা হরাউ নুংঙাইগী মৈদিংঙুগী ম্যুজিকনি। ভিয়েটনামিজগী নাৎকী ওইবা অদুগা কোর্টতদি শকপা মখোয়শিং অদো ভান ভু (সিভিল সার্ভেন্ট দান্স) নৎত্রগা ভো ভু (মিলিটরি দান্স) হায়না খঙনৈ।

**ফোল্ক (নাৎ) কী ম্যুজিক ঃ**

ভিয়েটনাম ফোল্ক ম্যুজিক অসি য়াম্না হোংদোকপা য়াদবা মওংদা মখল মখলগী মনুং চন্না ওইরকখিরম্মী । মখোয় অদুদি dan ca, quan ho, hat chau van, ca tru, ho, and hat xam, মসি নত্তবা অতৈ ফোল্ক ম্যুজিকসু লৈরি।

**Cheo :**

Cheo হায়বা ম্যুজিক্কী থিএটর অসি মীপুম খুদিংমকপু পেলহনবনি। মসি মহৌশানা ওদিটোরিয়মগী মপান্দা মীয়ায় চল্লবা/চল্লবীশিংনা হৌজিক মতম অসিদদি প্রোফেসনেল পর্ফোমরশিংসু মশীং য়াম্না হেনগৎনা ওদিটোরিয়ম মনুংদা উৎনরে।

**Hat chu van :**

Hat chu van নৎত্রগা হেট ভান হায়বসি লাইনীং ওইবা ম্যুজিক্কী থৌরম অমনি। মসিদা লাইয়ামশিংগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মীতৈশিংনা থৌরম অমা হৌদোকপদা ফমাঙ থৌগল হায়বা থৌরম অদুবু অকায়-অতোয়, অশোয়-অঙাম য়াওদনবা পাঙথোকই। হায়রিবা ম্যুজিকেল ফোর্ম অসি অতৈগা মানদবা rhythm দা তোঙানবা অমা ওইবা মীতৈগী মাইবী লাই তোংবগুম্বা মখল অমনি। কুমজা ১৯৮৬ কী মমাঙদা ভিয়েটনাম গভর্ণমেন্টনা হেট চু ভান অমদি অতোপ্পা লাইনীং লম্বীগী ওইবা থৌরম ময়াম্না পীক থনবা ফোর্ম অসি অনৌবা য়াম্না ফজবা মওং/মখল অমদা হোংদোকখি। মতম অদুদগী হৌজিক ফাওবা ফাম ভান টাইগুম্বা ম্যুজিসিয়নশিংনা হিংহল্লি।

**Nhac dan toc cai bien :**

Nhac dan toc cai bien; ভিয়েটনামগী অনৌবা ফোল্ক ম্যুজিক অমনি। অনৌবা ফোল্ম ম্যুজিক অসি কুমজা ১৯৫০ গী অদুৱাইদা শাফোঙলকপা হৌরকখি অদুগা হানোই কঞ্জার্ভেটরি ওফ ম্যুজিক্লা কুমজা ১৯৫৬ তা লিংখৎলবা মতুংদা মসিগী মশক অসি মীয়াম্না খঙলকখি। মসি ভিয়েটনামনা অনৌবা খোঙজং অমা চঙলকপা হৌরকখি। হান্না লৈজরম্বা ফোল্ক ম্যুজিক্কী ফোর্ম অসি ৱেষ্টর্ন নোটেসন সিষ্টেমদা ইথোকপা হৌরকখি। মসিনা ভিয়েটনামগী ফোল্ক ম্যুজিক মখল অসি অতোপ্পা মশক অমদা শোয়দনা শরুক খরদি ওনফম থোকই। মীতৈগীসু খূৎলং ঈশৈ হায়না লৈজরিবা মালেমনা ফোল্ক ম্যুজিক হায়না মিং থোনবীরিবা খুদক্তা ঈশৈ ময়েকসু ঈশৈগী অৱাং অনেমসু পুথোক্তুনা শল্লিবা ঈশৈ মখলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা শৈশক অসিবুনি ফোল্ক ম্যুজিক হায়নরিবা। ফোল্ক ম্যুজিক্তা ঈশৈগী ময়েক হান্না ইথোল্লুবা ত্যুন হান্না পাল্লবা করম্বা রিদমদা শক্কনি হায়বনচিংবা হান্না শেমদোল্লগা শল্লবদি ফোল্ক ম্যুজিক কৌফম থোক্তে। শেম্বীবা মপূনা শেম্বীরল্লবা মখল খুদিংগী শা, ঙা, উচেক ৱায়া, মীওইবনচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী ফাওনবা লোলদা ফোল্ক ম্যুজিকসু য়াওরমগনি। ঈশৈ শক্লি অমদি মখোয় মশেল অমগা অমগা পাউফাওনরি। অন্মম অঙান শিন্নরকপা মতমদা লাইনীং লম্বীদা খোঙদারিবশিংগী মাগী মাগী লাইশোল ঈশৈ নৎত্রগা করিগুম্বা খূৎলায় অমনা খুদম চর্চকী বেলনা লাইশিংবু খুরুমজে। অসুম্না হায়রিবা মীকুপ অসিদা শা, ঙা, উচেক, ৱায়ানচিংবা পূম্নমক য়াকাইদুনা মাগী মাগী লাইনীং লাইশোল শোল্লম্বা ওইরম্বসু য়াই। শা, ঙা, উচেক্লচিংবশিংনা খোঙলিবশিং অদু মীওইবা কাঙলুপ্পদি করিসু খঙদে। খঙলিবা হায়ববু অন্মম অঙান শিন্নবা মতমদা মখোয়না শক্লিবা খোঙলক্লিবা অদুনা অন্মম অঙান শিন্নরে হায়বা অসিদি মীওইবা কাঙলুপ্লা খঙবা ঙম্মী।

**Cu tru :**

Cu tru (hat a dao হায়নসু খঙনবা) ফোল্ক ম্যুজিক মখল অসি য়াম্না তোপ তোপ্পা মগুণ অমা য়াওবা য়াম্না মশক ফজবিশিংনা শক্তুনা য়েক্লবনা লান্দারকপা মতমদা মখোয়বু শুমহত্তুনা লান মায় পাকহন্দবদা য়াম্না মতেং ওইরম্বা হায়বসি মশানা তাবনি।

মতাং অসিদা মতম অদুগী মালেমগী সুপর পৱর ওইরিবা দ য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগা ভিয়েটনাম হায়রিবা লৈবাক অসিগা চহী য়াম্ন া লান শোক্লখি। থমজনীংলিবা ৱাফম্না য়ু এস আর্মিশিং ভিয়েটনাম ফোল্ক ম্যুজিক সিঙ্গরশিংগী ঈশৈশিংদা শুমহৎখিদুনা লানগী ৱাখল ফনা য়াম্বদি কাউরম্বসু য়াই। মরম অসি লৈবনা অমেরিকানশিংনা ভিয়েটনামবু লাকশিনবগী চাং অসি খরমখৈদি হন্থফম থোকপরা হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না নৈনফম থোকপ্রা খঞ্জে? অয়াম্বনা শৈশকপী ওই অদুগা মসিগী মরুওইবা শৈশক মখল অসিদি Communist government 1980s, না কাইথরক্লবা ফাওবদা ইকায়নীংঙাই ওইনজরগা ওক্তবা/ওক্তবীশিংগগী মরক্তা হিংদুনা লৈহৌই। Cu tru, অসিগী মখল অসি য়াম্মী, অদুগা মসি মৈদিংঙুগী কোনুংদগী শেমখিবনি হায়না খন্নে। অদুগা মদুগী মতুংদা থৌদোক কয়ামরুমদগী য়ূমনচিংবা অখঙ অহৈশিংগী ওইবা মীয়ামগী শঙ অমসুং খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈবশিংগী মফমদা পাঙথোকই। মসিমসু ঐখোয়না মরী লৈনহনবা য়াই মদুদি geisha-type গুম্না য়াম্না ফজনা হৈশিংনা ঈশৈ, জগোয় অমদি নিপাশিংবু করম্না পেলহনগদগে হায়না মহৈ তম্লবশিংনা নিপাশিংবু পেলহনবগী চৎনবীসু ঈশৈ, জগোয়গী মতেংনা নিপাশিংবু নীংবা থুংহল্লি। মসিগী ৱাফমসিদি ভিয়েটনামখক্তগী নত্তে মালেমগী মফম অয়াম্বদা পি-পাগী থবকসিদি শেম্বীবা মপূনা পীনবিরক্লবা খুদোলনি।


Traditional orchestra performing at the Temple of Literature,Hanoi

ভিয়েটনামগী থায়নদগী থিল্লক্লবা, খোঙলিবা, খিংলক্লবা অসিনচিংবা খূৎলায়শিং ঃ

*Dn bau(monochord zither)
*Dan gao (two stringed fiddle with coconut body)
*Dan nguyet (two stringod fretted moon lute)
*Dan nhi (two stringed fiddle with hardwood body)
*Dan sen (two string frotted lute)
*Dan tam thap lup (hammered dulcimer)
*Dan tranh (long zither)
*Dan ty ba (pear shaped for stringed frethed lute)
*Ken bau (oboe)
*Trung (bamboo xylo phone)
*K' ni (also spelled K'ny or K'ny)One-string vertical fiddle with areasonating disc that is held in the player's mouth; played the Jarai people of the Central Highlands.

লৌখৎচখিবশিং ঃ

১) ম্যুজিক ওফ ভিয়েটনাম
২) ইশানা থিজিঞ্জখিবশিং